# নোংলৈ নুংশিৎতা মীশি মীনা থোকখিবদু য়ু পি সি এম না ব্রেদর দিপার্টমেন্টতা মরাল থংজিনখ্রে



**আগ্রা, মে ৫ :**
কর্নাটকাদা মীখলগী মীটিংশিংদা শরুক য়ানবা লৈরিবা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ইলেক্সন কেম্পেন থাদোক্লগা মহাক্কী ষ্টেটতা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা আগ্রাদা য়ূম কৈ কয়া তেকখিবা অমসুং চেকপল কয়া নীংখাইখিবা মফমশিং অদু য়েংশিনখ্রে।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা লাক্কনি হায়বগী চপ চাবা পাউ মীয়ামদা ফংহনদবা অদু মহাক্কী লৈঙাক অদুগী ব্রেদর দিপার্টমেন্টনা চপ চাবা ঈ-পাউ মীয়ামদা ফংহন্দবদগীনি হায়না মরাল শীখ্রি।

কর্নাটকাগী মে ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী কেম্পেন অসি য়াম্না লূবা বি জে পি গী কেম্পেন অমা ওইজরগসু মহাক্কী ষ্টেটতা মীশি মীনা থোকখিবা অদুগী য়েংলগা মীখলগী ব্রা ঙাংবা অদু থাদোক্লগা মফমদুদা য়েংশিনবা লাকখিবনি।

ঙরাং থোকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি অখাক অরাও অদুনা মরম ওইরগা উপাল কয়া মরু ফুক্লা তুখি, ইলেক্ট্রিক সপ্লাইগী পৱার কেবলশিং তৎখি অমসুং য়ূম কয়া অমা তেকখি। পূংদা কিলোমিটর ১৩০ গী চাংদা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু লাকপা মতমদা মীওই কয়া অমদি ময়ূমদা তুমদুনা লৈখিবনি।

থৌদোক অদু পাউ হেক তাবদা আগ্রা অমসুং কানপুরদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা য়েংশিন্নবা এরিয়েল সর্ভে অমা চীফ মিনিষ্টরনা তৌখ্রে। অদুবু মহাক্না থেংনরকখিবা কয়া অদুগী মতাংদা ৱা অমত্তা হায়দ্রবসু আগ্রা দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৪০ শিখি। পূন্না আগ্রা অমদি কানপুরদা শিখিবা মীওই মশীং অসি ১২৪ শুরে অমসুং অতোপ্পা ষ্টেট মঙাদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি নোংজু অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৩০০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনসু ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইরগা অশোক অপন নংহনখ্রবা মীওইশিং অদুবু হোস্পিটালদা উনরম্লবা মতুং অতেক অকায় নংলবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগসু মখা তানা উন্নখি। মসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনদি মমাঙদা অৱা অনা নংলবা ইমুং মনুংশিং অদুদা পীবা য়াবা শেলগী মতেং পীখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা যোগি অদিত্যনাথনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মে তাং ৮ ফাওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপা য়াই হায়বদুগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱার্নিং অমা পীখ্রবনি। মদুগী মতুং ইন্না শাফগদবা মফমশিংদা লৈনবা মীয়ামদা খঙহনবসু লৈখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অদুবু মসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা ষ্টেট অদুগী মনুংদা নোংলৈ নুংশিৎনা মাঙ তাকহনখ্রবা মফমশিংদা মান্নবা এক্সন লৌদ্রিবগী মরম করিগীনো হায়েনা হংবা মতমদা মদু ব্রেদর দিপার্টমেন্টকী অশোয়বনি হায়না ফোঙদোকখি।

হায়রিবা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা য়েংশিনগনি অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগা মীখল পাঙথোক্লবা খঙহনখ্রে। করিগীদমক ব্রেদর দিপার্টমেন্টনা মীয়ামদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা মীয়ামদা খঙহন্দবনো হায়বদুগী মতাংদা এক্সন লৌখৎকনি হায়না য়ু পি সি এমনা পাউমীশিংদা হায়খি।

ব্রেদর দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টতা নোংলৈ নুংশিৎ অমা লাক্কনি হায়বগী পাউ মীয়ামদা খঙহল্লবসু য়াম্না কনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমা লাক্কনি হায়বগী চপ চাবা পাউদম মীয়ামদা পীখিদবা অসি দিপার্টমেন্টকী অশোয়বা ওইবা য়াই। অদুবু সহরানপুর এরিয়াদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ থোকপদা অতেক অকায় নংবগী চাং অদু হন্থরবসু আগ্রাদদি হেন্না অমাঙ অতা থোকখি হায়না য়ু পি গী রিলিফ কম্মিস্নার সঞ্জয় কুমারনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে হায়রি।

# য়ু এসনা রসিয়া থেংননবা আতলান্টিক্তা সেকেন্দ ফ্লিট অমুক শেমগৎলক্লে

**ৱাংশিংতন, মে ৫ :**
চীফ নেভেল ওপরেসন্স এডাম জোন রিচার্দসনগী মতুং ইন্না ২০১১ দা থাদোক্লুরবা ইষ্ট কোষ্ট অমদি নোর্থ আতলান্টিক্কী ফোর্সশিং নৌহৌনা য়েংশিল্লগনি হায়রি।

মহাক্না হায়খি, চহী অসিগী অঙনবদা ফোঙখিবা নেস্নেল দিফেন্স ষ্ট্রেটেজিনা নীংথিনা ফোঙদোকখ্রে মদুদি অচৌবা পৱার অনী কম্পিটিসন তৌবগী মতম অদু অমুক হঞ্জিল্লক্লে। ষ্ট্রেটেজি অদুনা রসিয়া অমদি চাইনা কাউন্টর তৌবদা পাইওরিটি পীরি।

পৈশা খরা কনবা ঙম্নবা অমদি ষ্ট্রকচরগী মরম্না থাদোক্লুরবা ফ্লিট অদু মসিগী হান্নগী লৈফম নোর্ফোক অমদি ভর্জিনিয়াদা বেজ তৌগনি। সেক্যুরিটি ইনভাইরোনমেন্ট অসি হেন্না হেন্না চেলেঞ্জিং অমদি কমপ্লেক্স ওইরকপা মরমনা ঐখোয় অচৌবা পৱার কম্পিটিসনগী মতম অদুদা অমুক হঞ্জিল্লক্লে হায়না নোর্ফোক্তা লৈবা য়ু এস এস জজ ঐচ ডব্লিউ বুসকী মনুংদা এডম রিচার্দসন্না লাওথোকখি।

ঐখোয়না সেকেন্দ ফ্লিট নোর্থ অতলান্টিক্তা শেমগৎলক্লিববসি য়ু এস কা রসিয়াগা মরী ফৎলক্তবা অসিননি হায়না এম্পনা হায়রি।

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট পুতিনগী স্লাইদ শোনা কোল ৱারগী খোম্থাং য়ৈহল্লক্লি। য়ু এস কী সেকেন্দ ফ্লিট অমুক শেমগৎলকপা অসি য়ু এস আর্ম ফোর্স অসি মালেমগী অচৌবা শক্তিঃশিং নৌনা কম্পিটিসন তৌরকপা অসিগী মতুং ইন্না পায়খৎলকপা অচৌবা ষ্টেটিজি



অমগী শরুক অমনি। মসি হৌখিবা খরদা কাউন্টর ইন্সরজেন্সিগী খোঙথাং লৌখৎলকপা অদুদগী হেন্দোকপনি।

করিগুম্বা মসিনা রসিয়াদা অখন্নবা মীৎয়েং থমলবদি হৌখিবা চহী খরসিদা নেভিগী থবকশিং হেনগৎহনবা তাই। অনৌবা হেদক্বার্টরনা আতলান্টিক্তা ওপরেট তৌরিবা য়ু এস ৱারসিপশিংদা হেন্না চেকশিনবা কমান্দ পীবগী তঙাই ফদবা লৈরি।

নাতোনসু লমদমঅসিমক্তদা অনৌবা জোইন্ট ফোর্স কমান্দ অমা লিংখৎনবা থৌরাং তৌরি। অমেরিকানসু কর্জিনিয়াগী নোর্ফোক্তা য়ূম্বু ওইগে হায়বা য়াখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা য়ু এস কী নেভেল লপরেসনগী মওং অসিদসু শিংথাবা য়ানা হোংদোক হোংজিন তৌগদৌরি। য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরী জেমস মাত্তিসনা খঙহৌদনা হেক্তা থবক তৌবা য়াহন্নবা অমদি মতম চৎহন্দনবা তকশিল্লি। য়ুরোপকী ইশিংশিংদা য়াম্না তোয়না কোরিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপ থাদোক্লকপা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

ফ্লিট অসি ''এসাইন শিপশিংদগী ওপরেসন্নেল অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওথোরিটি'' চল্লাইগনি হায়না এডম রিচার্দসননা মখা তারি।

হেদ ক্বার্টরগী ষ্টাফ অসি শুপ্নগী ১৫ দগী হৌরগা ২০০ হেন্না হেনগৎলক্কনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ফ্লিক অসি কনানা কমান্দ তৌগনি অমদি মচাক-মথুমদা করি করি য়াওগনি হায়বদু চপ চানা লেপথোকপদি তৌদ্রি। নোর্ফোদ অসি আতলান্টিক্তা অনৌবা নোতো জোইন্ট ফোর্স কমান্দগী মফম ওইনবা ৱাফম হৌদোক্লখ্রে।

নাতো ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি, রসিয়ানা আতলান্টিক সি, নোর্থ আতলান্টিক অমদি আর্টিক্কী লমদমদা মসিগী নেভিগী পেট্রোল হেনগৎলক্লি অদুগা কেলি ৱারগী মতূংদা খ্বাইদগী য়াম্না সমেরিনগী থবকসু হেনগৎলক্লি।

রসিয়ানা য়ু এস কী ইলেক্সন্দা খূৎ থিংজিল্লি হায়বা মরাল অমা শিন্নরকপদগী রসিয়াগা নোংচুপ লৈবাকশিংগী মরী ফত্তবা হৌজিল্লক্লি। মোস্কোনা সাইরিয়াগী প্রসিদেন্ট বসার এল অসাদতা শৌগৎপা অমদি হান্নগী স্পাই সেরগৈ স্কিপাল হু পীজদুনা হাৎখিবগী মরাল য়ু কে না রসিয়াদা শীরিবনি।

# এনকাউন্টরদা বিলদর অমা হাৎখিবা গেং লুচিংবা হরিন্দ্র প্রধান দিল্লি পুলিসনা ফারে

**ন্যু দিল্লি, মে ৫ :**
য়ু পি গী নোয়দাদা থোকখিবা লমগী ৱাথোক অমদা মোটি গোয়াল কৌবা মীওই অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা থি হুম্বগী থবক চথবা মতমদা হরিন্দ্র প্রধান কৌবা মীওই অমা দিল্লি পুলিসকা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা ঙসি ফাখ্রে হায়রি।

উত্তর প্রদেশ লৈঙাক্না ৱান্টেদ লাওথোকখ্রবা দাকু অদুনা লাকপা মতমদা মহাক্কী কার অদু দিল্লি পুলিসকী টিম অমনা লেপ্পবা হায়বদা য়াদনা য়াম্না কন্না থৌদুনা চৎখি অমসুং মদুদা সাউথ দিল্লিগী পূল-প্রল্হাদপুরদা পুলিসনা থম্বা বেরিকেদশিং অদু থোমগাইরগা চেনখি। অদুবু মহাক মেহরোলী-বদরপুর রোদতা পুলিসনা ফাবা ঙমখি। প্রধান হায়রিবা মীওই অসিনা মীহাৎপা অনী নেক্লগা য়ু পি গী বিলদর অদু হাৎহনখিবনি হায়না মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখি।

প্রধান হায়রিবা মীশক অসি মেহরৌলি-বদরপুর (এম বি) রোদতা লাক্কনি হায়বা অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী মহাক্কী গারী অদু খাম্নবা হায়বা মতমদা প্রধান্না পুলিস তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা শোকপা পুলিস পার্সোনেল অনী এমসকী ট্রাওমা সেন্টরদা হৌজিকসু লায়কন্নরি হায়না দিপ্যুটি পুলিস কম্মিস্নার চীনমোই বিশ্বাননা ফোঙদোকখি।

ফারবা হরিন্দ্র প্রধানদগী পিষ্টোল অমগা করবাইন অমগা ফাগৎখি হায়রি। পনবা য়াবদি মমাঙ চহীদা যোগি অদিত্যনাথনা য়ু পি গী চীফ মিনিষ্টর ওইনা লাকপা মতমদা হৌখিবা চহী অসিদা মহাক্কী ষ্টেট অদুদা ক্রিমিনেল অমা ফাওবা লৈহল্লোই হায়না ৱাশকখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা চীফ মিনিষ্টর অদুনা গুন্দা তৌবা মীওইশিং ষ্টেট অসি থাদোক্লগা চৎখিবনি হায়না খঙহনখিবা লৈখ্রে।

উত্তর প্রদেশ পুলিসনা থাদোরকপা ওফিসিয়েল দেটা অমগী মতূং ইন্না ২০১৭ গী মার্চ ২০ দগী ২০১৮ গী জনুৱারী ৩১ ফাওবদা ষ্টেট পুলিসকা গেং খূৎপুগা কাপ্নবগী থৌদোক ১,১৪৪ থোকখি। হায়রিবা এনকাউন্টরশিং অসিদা ক্রিমিনেল ৩৪ হাৎখি অমসুং মীওই ২,৭৪৪ ফাগৎপা ঙমখি।

থৌদোকশিং অদুদা পুলিস পার্সোনেল মরিনা শিখি অমসুং পার্সোনেল ২৪৭ অশোক অপন নংখি। হায়রিবা কাপ্নবগী থৌদোকশিং অদু আগ্রা, মিরট, লক্ষনৌ, এলাহবাদ, বারৈলি, গোরখপুর, কানপুর অমসুং বরানসিনচিংবা মফমশিংদা থোকখিবনি হায়রি।

# লোইশিন্দবা কেসশিংগী হিয়ারিং বোম্বে হায়কোর্টকী জজনা নোংঙাল্লমদাইগী পূং ৩.৩০ ফাওবা চথখ্রে

**মুম্বাই, মে ৫ :**
কালেন থাগী ছুটি থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৈবা নুমিত্তা বোম্বে হায়কোর্টকী অয়াম্বা জজশিংনা পেন্দিংদা লৈবা কেসশিং অমসুং অথুবা হিয়ারিংশিং চথবগী মতম অসি নুংথিল পূং ৫ দা লোয়শিল্লগা চৎনখ্রবা মতমদা জজ অমখক্তংদি অথুবা ইন্টরিম রিলিফশিংগীদমক থারকপা কেসশিংগী হিয়ারিং অয়ূক পূং ৩.৩০ ফাওবা চথদুনা লৈখি হায়রি।

মীয়াম তিল্লবা কোর্ট রুম অদুদা জষ্টিস সাহরুখ জে কথাৱাল্লা নোংঙাল্লমদাই পূং ৩.৩০ ফাওবা মহাক্কী সিটতা ফমদুনা আরগুমেন্টশিং তাবগা লোয়ননা পিটিসনশিং অদুগী ওর্দরশিং পাস তৌখি। মহাক্কী কোর্ট রুম অদুদা সেনিয়ার কাউন্সিলশিং, উকিল অমদি কেসকা মরী লৈনবা মীওইশিং থন্না ফমখি। মতমদুদা জষ্টিস অদুনা মখোয়গী ৱাকৎ পূম্বা তাখি। মহাক্কী কোর্ট অদুদা ইন্টরিম রিলিফ পীনবগী তঙাই ফদবা সিভিল পিটিসন ১০০ গী মথক্তা হিরিং চথকি হায়না জজ অদুনা মহাক্কী ফমফমদগী হৌগৎত্রিবা ফাওবা কোর্ট অদুদা লৈখিবা সেনিয়ার কাউন্সিল অমনা ফোঙদোকখি।

জষ্টিস কথাৱাল্লানা য়াম্না থেংনা কোর্ট অদুদা লৈখিবা অদু হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরবসু চয়োল অনীগী মমাঙদা মহাক্না কেস কয়াগী মতাংদা মহাক্কী চেম্বরদা নোংয়াই ফাওবা কেসশিং চথহনখিবা লৈখ্রবনি।

অয়ূক্কী পূং ৩.৩০ তারকপা অদু ফাওবদা জষ্টিস কথাৱাল্লানা য়াম্না তগৎ তগৎ তেক্লা কেস খুদিংমক নৈনখি। মহাক্কী কোর্টতা চথবা আরগুমেন্ট খুদিংমক তারবা মতূং ওর্দরশিংসু নুমিত্তুদা খুদক্তা পাস তৌরমখি হায়না সেনিয়ার কাউন্সিল অমনসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি জষ্টিস কথাৱাল্লা অসি অয়ূক্কী পূং ১০ দগী কোর্টকী থৌরম পূম্নমক পায়খৎপা মীশক অমনি অমসুং মহাক অসি নুংথিল পূং ৫ গী মতুং ফাওবা কেসশিংগী হিয়ারিং চথবা মীওই অমনি। হায়রিবা হিয়ারিংশিং অদু চথরবা মতূংদা জজ মশাদি মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা চঙশিল্লবা মতূং লোয়হৌদবা কেসশিং অদু শুদুনা লৈখি হায়রি।

# অৱাং কোরিয়ানা খা কোরিয়াগা চান্নবা টাইম জোন শেমদোকখ্রে

**সিওল, মে ৫ :**
মফম অসিগী পূং ২৩.৩০ তাবা ইরাই নুমীৎতা লৈবাক অসিগী ঘরী পূম্নমক মিনিট ৩০ লৈখৎতুনা নোংয়াই ওইহনখ্রে। অসুম্না শেমদোকপা অসিনা কোরিয়া অনী পুনশিন্নবগী খোঙথাংদা থুজিনহনগনি হায়না ন্যুজ এজেন্সি কে সি এন এ গী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

চৈরক অসিদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়রি, মহাক্না অৱাং কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উন গা উন্নবা নুমিৎ লেপ্লে। ''ঐখোয়না মতম লেপলে অদুগা ঐখোয়না মফমসু লেপ্লে, য়াম্না থুনা লাওথোক্লগনি'' হায়না ইরাই নুমিৎতা হৱাইট হাউসতা য়ু এস কী জর্নেলিষ্টশিংদা ফোঙদোকখি। ''য়াম্না ফবা থবকশিং'' অশা তৌরি হায়না প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তাখি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইন গা মে ২২ দা হৱাইট হাউসতা উনদুনা লাক্কদৌরিবা মীটিং অসিগী মতাংদা খন্নগদৌরি।

হৌজিক ফাওবদদি য়োংয়াম টাইম অসি খা কোরিয়া অমদি জপানদগী পূংখাই অমা শোখদুনা লৈহৌবনি।

অৱাং অমসুং খা কোরিয়াগী ঘরী অনী অদু লৈবাক অনী অসিগী লুচিংবশিংনা হন্দক্তা উনখিবা ডি মিলিটয়িয়াস জোম ওইবা সহর পানপুনজোমদা নাকল নাকলদা মতম চপ মান্ননা উৎলদুনা খিনখি।

ৱারী শান্নখ্রবা মতূংদা খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্সিনা ঘরীশিং অদু উবদা মিষ্টর কিম মথৱায় নুংঙাইত্রে হায়না টুইট তৌখি। প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মিষ্টর কিমগা উনগদবা অদুগী মফম অমদি মতম ফোঙদোক্ত্রবসু মিষ্টর ট্রম্পনদি খা অমদি অৱাং কোরিয়াগী ডি মিলিটরাজ জোনদা ওইরবা য়াই হায়না ফোঙদোকপদি লৈখি। অতোপ্পা খন্নরিবা মফম অমনা শিঙ্গাপুরনি। মতমনা চাওরাক্লা মে নৎত্রগা জুনগী অহৌবদনি।

অমেরিকাগী মপূং ওইবা পান্দমদি অৱাং কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ারগী শক্তি লৌথোকপনি। লুচিংবা অনীনা উনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা অৱাং কোরিয়াদা ফাজিন্দুনা লৈরিবা য়ু এস কী হোষ্টেজশিং থাদোক্কনি হায়না থাজনরি।

# কর্নাটকা ইলেক্সনগী মাঙওইননা বি জে পি না লৌমীশিংগী লোন লুপা লাক্ষ অমা ফাওবা কোকথোক্লবা ৱাশকখ্রে

**বেঙ্গলুরু, মে ৫ :**
লৌউ শিংউগী তোঙানবা বজেট থম্বা, লৌমীশিংদা তোনবা লুপা লাক্ষ অমা ফাওবগী লোন কোকথোকপা, নুপী অঙাং ঙাক-শেনবা অমদি ষন ঙাক- শেনবগী ৱাফম কর্নাটকা ইলেক্সনগী মাঙওইননা পুথোকপা বি জে পি গী মেনিফেষ্টোদা ৱাশক্লি।

মেনিফেষ্টো অদু ইলেক্সন অসিদা বি জে পি গী চীফ মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেট ওইরিবা বি এস য়োদিরুপ্পানা ষ্টেট অসিগী ইলেক্সন তৌগদৌবা চয়োল অমতা ঙাইরবা মতমদা ঙরাং ফোঙদোকখিবনি।

লৌমীশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমগনি হায়না উৎলদুনা পার্টি অসিনা লুপা কোটি লাক্ষ ১.৫ লাক্কদৌরিবা চহী মঙা অসিদা খাক্তুনা ইরিগেসন প্রোজেক্টশিং লোকশিনগনি হায়রি।

লৌমীশিংনা নেস্নেলাইজ অমদি কো-ওপরেযিভ বেঙ্কশিংদগী লৌখিবা লুপা লাক্ষ অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবা লোন কোকথোক্লবা অহানবা কোবিনেটতা ৱারেপ লৌগনি। অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনগনি হায়বদুসু ষ্টেট অসিদা লাক্কদৌবা অনৌবা গভর্ণমেন্টনা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়রি। লৌমীশিংগীদমক পায়খৎকদৌবা থবকশিং মোনিটর তৌনবা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা তোঙানবা স্পেপার্টমেন্ট অমা হাংদোক্কনি হায়রি।

**সনা-সুদোকু -১১৫৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 4 | 3 | 1 | 9 | 7 | 8 | 5 |
| 9 | 7 | 5 | 4 | 6 | 8 | 1 | 2 | 3 |
| 1 | 3 | 8 | 2 | 5 | 7 | 4 | 9 | 6 |
| 6 | 9 | 3 | 8 | 7 | 1 | 2 | 5 | 4 |
| 5 | 4 | 1 | 6 | 3 | 2 | 8 | 7 | 9 |
| 7 | 8 | 2 | 5 | 9 | 4 | 6 | 3 | 1 |
| 4 | 5 | 7 | 1 | 8 | 3 | 9 | 6 | 2 |
| 8 | 1 | 6 | 9 | 2 | 5 | 3 | 4 | 7 |
| 3 | 2 | 9 | 7 | 4 | 6 | 5 | 1 | 8 |

## GAS TODAY

**Yairipok Gas Service**
Booking : 26/03/18
Valid : 21/03/18
Sl. No. 4500
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 01/05/18
Valid : 26/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Phayeng Gas**
Booking : 21/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 am

**Heingang Gas**
Upto date
Stk : 306
Time : 07.30 to 12.00 noon

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 27/03/18
Valid : 27/03/18
Sl. No. 0612 upto 1282
Stock : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 23/03/18
Valid : 19/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 23/03/18
Valid : 21/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 06/04/18
Valid : 20/03/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 29/03/18
Valid : 11/03/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1158**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 7 | 5 | | 8 |
| 9 | | 8 | | | | 4 | | 7 |
| 2 | | | | | 8 | 9 | | |
| | 7 | | 5 | | 3 | | | 6 |
| | | | | | | | | 9 |
| | 3 | | 1 | | | | 5 | 2 |
| | | | | 4 | 6 | | | |
| | | | 8 | 9 | | | | |
| | 1 | | | | 2 | 3 | | |

# আগষ্ট থাদা মিজোরামগী অহানবা মেদিকেল কলেজ হাংদোক্লগনি

**ইম্ফাল, মে ৫ :**
মিজোরাম ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল কলেজ ওফ রিসার্চ কৌবা ফালকোনদা লৈবা অহানবা ষ্টেট অদুগী মেদিকেল কলেজ অদু লাক্লিবা আগষ্ট থাদা হাংদোক্লবা শেম শাবা লোয়রে হায়রি।




মিজোরামগী মেদিকেল কলেজ ওফ রিসার্চ অসি মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এম সি আই) না শেম্না রুলশিংগী মখাদা তঙাই ফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর পূম্নমক লৈরবনি হায়না কলেজ অদুগী দাইরেক্তর এল ফিমাটৈনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ঙসি ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা মিজোরামগী অহানবা মেদিকেল কলেজ অসিগী মতিক চারে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকপগী ফিটনেস সার্টিফিকেট অদুগা লোয়ননা এম সি আইগী মায়কৈদগী লেটর ওফ পার্মিসন অমসু কলেজ অসি লীংবগী মতাংদা পীরকখ্রবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ষ্টেট অদুগী মনুংদা লৈরিবা মেদিকেল সাইন্স তম্নিংবা মীওই মশীং হেনগৎলকপদগী মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লাল থনহৌলানা ইন্সটিট্যুসন অসি লীংনবগী থৌরাং পূম্বা মায়োক য়াদুনা পায়খৎলকপনি।

ইম্ফালদা লৈবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা মিজোরামগী লৈরিবা রিজার্ব সিট মশীং অসি চহী অমদা সিট ১০ খক্তনি। রিমস হায়বসি সেন্ট্রেল কলেজ অমনি। হায়রিবা সিট রিজার্বেসনগী চাং অদুগা য়েংনবা মতমদা মিজোরামদগী মেদিকেল সাইন্স তম্নিংবা মীওইশিংনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মেদিকেল কলেজশিংদা সিট ফংবা ঙমদে। মরমসিদগী নৌনা মিজোরামদা হাংদোক্কদবা মেদিকেল কলেজ অসিদদি মিজো মহৈরোয়শিংদা চাদা ৮৫ দি রিজার্ব তৌরবা সিটশিংদা মহৈ তম্বা ফংহনবা ঙম্লগনি হায়নসু মেদিকেল কলেজ অদুগী দাইরেক্তর এল ফিমাটৈনা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি ডাক্তর ফিমাটে অসি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা চহী তরুকলোম দাইরেক্তর ওইনা থবক তৌরম্বনি। মহাক রিমসকী ফোরেন্সিস সাইন্সেসকী হেদ ওইবগী মথক্তা জে এন ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী ফোরেনসিপ প্রোফেসার অমা ওইনা থৌ পুবা মীশক অমনি হায়রি।


**ALL INDIA CIPET JEE 2018, APPLY ONLINE**

**Central Institute of Plastics Engineering & Technology (CIPET)**
सेन्ट्रल इंस्टिट्यूट ऑफ प्लास्टिक्स इंजीनियरिंग एण्ड टेक्नोलॉजी (सिपेट)
(Dept. of Chemicals & Petrochemicals, Ministry of Chemicals & Fertilizers, Govt. of India)
Takyelpat, Industrial Estate, Imphal-795001

CIPET सिपेट
probe • perform • practice • Plastics

सत्यमेव जयते

**Admission through Computer Based Test (CBT) JEE 2018-19**
**Apply Online: http://eadmission.cipet.gov.in**

Excellent Placement track record

**Diploma, Post Diploma and Postgraduate Diploma Courses**

| Sl. No. | Name of Course | Course Duration | Entry qualification |
|---|---|---|---|
| 1 | Postgraduate Diploma in Plastics Processing & Testing (PGD-PPT) | 1½ Years | B.Sc. (3 Years Degree in science with Chemistry as one of the subjects) |
| 2 | Postgraduate Diploma in Plastics Testing and Quality Control (PGD-PTQC) | 1½ Years | B.Sc. (3 Years Degree in Science, Chemistry with Physics and Math) |
| 3 | Post Diploma in Plastics Mould Design with CAD/CAM (PD-PMD with CAD/CAM) | 1½ Years | 3 year Diploma (for details visit CIPET website) |
| 4 | Diploma in Plastics Mould Technology (DPMT) * | 3 Years | X Std. Pass |
| 5 | Diploma in Plastics Technology (DPT) * | 3 Years | X Std. Pass |

*Candidate should have attained 15 years of age as on 31st July, 2018

**Important Dates :**

| | | |
|---|---|---|
| Date of opening for JEE online applications | : | 28/04/2018 |
| Date of closure for JEE application submission | : | Pls. Refer CIPET Website |
| Last date for issue of Admit Card for appearing CIPET - JEE | : | |
| Date of CIPET-JEE | : | |
| Date of commencement of courses | : | 01/08/2018 |

**CIPET Campuses:** Ahmedabad, Amritsar, Aurangabad, Agartala, Baddi, Balasore, Bhopal, Bhubaneswar, Chandrapur, Chennai, Gurgaon, Guwahati, Dehradun, Hyderabad, Hajipur, Haldia, Imphal, Jaipur, Kochi, Lucknow, Madurai, Murthal, Mysore, Raipur, Ranchi, Valsad and Vijayawada.

For assistance: +91-8415901941/8974431157 www.cipet.gov.in